ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



কোন্থৌজম জি পি লেভেল টেলেন্ট হন্ট এসোসিএশননা কুমজা ২০২৫গী ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলভকী এগজ ামদা ফর্স্ট দিভিজনদা পাস তৌরকখিবশিংবু তরাম্না ওক্তুনা পূক্নিং থৌগৎখিবা

থম্মোয় পাউদম : ওনরেবল গভর্ণরগী চীনবান... লামায় ২
লামায় ৪ বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা Oyster চেঙ্গুম থাবা
বিরমঙ্গল পুখ্রম্বমগী 'লৈচল ২৩' শেরেং লাইরিক... লামায় ৫
লামায় ৬ ঐখোয়গী সোসাইটিসি কদোমদা চৎখিগদগে ...
ম্যান্মার, বাংলাদেশ, নেপালগী মীওই কয়া... লামায় ৮
লামায় ১০ ইন্দিয়ান নেশনল ফুটবোল টিমদা শরুক য়াখিবী...

দি এম য়ুগী নৌনা এসিস্টেন্ট প্রোফেসর খল্লবশিং য়াওনা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেলভকী একজামদা মায় পাক্লুবা অমদি আর্ট এন্দ কলচর য়াওনা স্পোর্টসতা নেশনলগী থাক্তা শরুক য়ারুবশিংবু তরাম্না ওকপা



Vol. 49, Issue No. 104 | নিংথৌকাবা, ইঙেনগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, July 14, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### ম্যান্মারগা তাইনবা নাগালেন্দগী লাংৱা ১সুং অরুনাচল প্রদেশকী পাংসু পাসতগী আর্মিনা লান্দাখিব্রা

# ইন্দিয়ন আর্মিনা দ্রোন ১সুং মিসাইল শীজিন্নদুনা ম্যান্মারদা লৈবা 'মোবাইল কেম্প'শিংদা এটেক চথরক্লে হায়না উলফা-আইনা ফোঙদোরক্লে

### দ্রোন এটেক চথখি হায়রিবসিদা অসাম পুলিসকা মরী লৈনদে, দিফেন্স মিনিষ্ট্রি অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিদগী ওফিশল ওইবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্ত্রি : হিমন্ট বিশ্বা সর্ম



### এটেক অসিদা বৃগেদিয়র গনেশ অসোম ১সুং কর্নেল প্রদিপ অসোম লৈখিদ্রে, মেম্বর খরা ১সুং মীচমশিং শোক্লে : উলফা-আই



### থৌদোক অসিগী মতাংদা ইন্দিয়ন আর্মি নৎত্রগা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনচিংবা ওথোরিটি অমত্তনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি

**গুৱাহাটি, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :** ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ২ রোম তারকপদগীনা অয়ুক পুং ৪ রোম তারকপা ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সনা দ্রোন অমসুং মিসাইলশিং শীজিন্নদুনা ম্যান্মার মনুংদা লৈবা ঐখোয়গী মোবাইল কেম্পশিংদা অকনবা এটেক চথরকপদা ঐখোয়গী বৃগেদিয়র গনেশ অসোম অমসুং কর্নেল প্রদিপ অসোম লৈখিদ্রে অদুগা ঐখোয়গী মেম্বর খরা অমসুং মীচম খরা শোক্লে হায়না য়ুনাইটেদ লিবরেশন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উলফা-আই) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে হায়না পাউগী এজেন্সী (দেকান হেরাল্ড) না রিপোর্ট তৌরক্লি।

রিপোর্ট অসিনা হায়, ঙসিগী এটেক অসিগী মতাংদা উলফা-আইগী মায়কৈদগী লালহৌলূপ অসিগী পব্লিসিটি ৱিংগী লুচিংবা ইশান অসোমনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪৪ তারকপদা অহানবা ষ্টেটমেন্ট অমা ঈ-মেলগী খূথাংদা থারক্তুনা ফোঙদোরকখি। অদুগা লালহৌলূপ অসিগী মায়কৈদগী ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৩ তারকপদনা অনীশুবা ষ্টেটমেন্ট অমসু ঈ-মেলগী খূথাংদা থোরকখিবদা নত্তনা অহুমশুবা ৱাফমশিংনা ঈ-মেলগী খূথাংদা ঙসি নুংথিল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# লম্লাই খক্তা নত্তনা সেঞ্জম চিরাংদসু লৌ পরি ৪০০ রোমদা লৌমীশিংনা লৌ উবা ঙম্লমদ্রে

### মণিপুর কদোমদা চৎকদবনো তম্বা ঙমদ্রে, বি জে পিনা ঙম্লোইদবা ওইরবদি অনৌবা মীখল পাঙথোকপনা মীয়ামগী ওইনা শাফরগদ্রা : এন বিরেন



**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** চীংগা তাইনবা তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈবা লৌবুকশিংদা লৌমীশিংনা লৌ পানবদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা মরু ওইনা বিষ্ণুপুর অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনশিংগী মায়কৈদগী 'ফ্লায়িং স্কাদ' শিং ফাওবা শেমদুনা ফি শেন্থা হৌরক্লবসু লম্লাই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা সবুংখোক অৱাং থোংলান অমদি ৭১-লাইকোট ভিলেজগী সিট নম্বর ৩গী এরিয়াদা লৈবা লৌ পরি ৩০ রোম মপূং ফানা হৌজিক ফাওবা পানবা ঙমদনা লৈরকপগী মথক্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকীসু সেঞ্জম চিরাংদা লৌ পরি ৪০০ হেনবগী লৌফমশিংদা লৌমীশিংনা লৌ পানবা ঙম্লমদ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সেঞ্জম চিরাং হায়রিবা খুল অসিগী মনীং থংবা শরুক্তা চীংনা পরেং শানা তাইনবগা লোয়ননা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা অকনবা লানফম কয়া থোকখ্রবা খুলনি। লানগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা সেঞ্জম চিরাংগী লৌ পান্নবা চঙশিনবা ঙমদনা লৈরক্লিবা লৌ পরি ৪০০ হেনবগী লৌমীশিংদা কুমজা ২০২৩গী ওইনদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌ পানবা ঙমদবগীদমক পীফম থোকপনি হায়বা কম্পেন্সেশনগী শেনফমশিং পীরকখ্রে হায়রি। অদুবু মমাঙ চহী ২০২৪দসু হায়রিবা লৌফমশিং অসিদা লৌমীশিংনা লৌ পানবা ঙমদ্রবসু চহী অদুগীদি পীফম থোকপা কম্পেন্সেশনশিং পীরকখিদে। অদুগা হৌজিক লৌউ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## তামে অমসুং তৌসেমগী খুঞ্জাশিং নফসাগী চেঙ ফংদবা থা ৩ হেল্লে : এক্স এম এল এ কিখোনবৌ ন্যুমাই

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম ওইবদা নত্তনা হীরম খুদিংমক্তা শোথরিবা তামে অমসুং তৌসেম ব্লোককী মীয়াম্না ফংফম থোক্লিবা লৈঙাক্কী নেশনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) গী চেঙ ফংদবা থা ৩ হেঞ্জিল্লক্লে হায়না তামে এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি (এস টি) গী হান্নগী এম এল এ কিখোনবৌ ন্যুমাইনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, তামে ব্লোককী ওইনা মফম অসিগী খুঞ্জাশিংনা ফংফম থোকপা নফসাগী চেঙ থা অহুম হেন্না ফংদবদগী অৱাবা মায়োক্লরে। অদুগা তৌসেম ব্লোককীদি নফসাগী বেনিফিসরি ওইরিবশিংনা স্কিম অসিগী ফংফম থোক্লিবা চেঙ ফংদবা থা ২ শুরে হায়খি।

মরম অসিনা অথুবা মতমদা মফম অনীসিগী মীয়াম্না ফংফম থোক্লিবা চেঙশিং বেনিফিসরিশিংদা ফংহনবীয়ু হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পূক্নিং চিংশিনখি।

এক্স এম এল এ ন্যুমাইনা মখা তানা হায়, তামে ব্লোককী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## কুম্বী : নগর পঞ্চায়টনা কোল্লিঙৈদা টৌটি ঈশিং থক্লম্বদু ম্যুনিসিপালিটি ওল্লকপদগী থকপা ফংদ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট আনন্দ ৱাহেংবমনা লুচিংবা খৃৎপু অমনা হৌজিক লৈঙাক্কী পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি) না কুম্বী সেটুপুরদা পায়খৎলিবা ৱাটর সপ্লাই প্লান্টকী ফীভম চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।



য়েংশিন খোঙচৎ অসিদা পি ঐচ ঈ দিগী মরু ওইবা ওফিশলশিং, ৱাটর সপ্লাই প্লান্ট অসিবু শেমগৎ শাগৎলিবা এম/এস য়ুনিপ্রো ইনফ্রাষ্ট্রকচর কম্পনি প্রাইভেট লিমিটেদকী থবক মফমগী ইঞ্জিনিয়রশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

ৱাটর সপ্লাই প্লান্ট অসিগী ফীভম য়েংশিল্লবা মতুংদা এম পি ৱাই সী সীগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবদা কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোল্লিবা মফম ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## লৈঙাক্না হন্না য়েংদ্রবা লম্বীশিং মীয়াম্না শেমজিনবগী থবক লেপ্তুনা পাঙথোক্লরক্লি

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্না শেমজিনগদবা মীয়ামগী লম্বী থোংশিং মতম কুইনা শেমজিন-শাজিন্দবদগী লম্বী অমসুং থোংশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়াম্না খুদোংথীবা থৌদোকশিং মায়োক্লরক্তুনা অশি-অনা ফাওবা য়াওরকপদগী লৈঙাক্তা শেমজিনবীনবা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়রবা ফাওবদা শেমজিন্দবদগী লম্বী তৌথোক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকপা খক্তা নত্তনা মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা চোংথোরক্তুনা লন্নাই ওইনা শেমজিনবগী থবকশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লরক্লি।

### য়াইস্কুল ভোলন্টিয়রস ওর্গনাইজেশননা য়াইস্কুল পুলিস লেনগী ফীভম শোক্লবা লম্বী শেমজিনখ্রে



অনৌবা চৎনবী অমা ওইনা মীয়াম অমসুং মীয়ামগী লূপশিংনা লম্বী-থোং শেমজিন শাজিল্লকপা থৌওংশিংগী মনুংদা য়াইস্কুল অমসুং শগোলবন্দ এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অনীগী তাইনফম ওইরিবা মোইরাংখোমদা লৈবা এম/এস কৃষ্ণপ্রেমি ওইল সিটি মনাক্তগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### দেল্লীদা নুমিৎ ৬নি মফম খঙলকখিদবী ত্রিপুরাগী মহৈরোয় নুপী মচা ১ শিনা ফংলে

**ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৩ (এজেন্সী) :** দেল্লী য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈরিবা অত্মারাম সনাতন ধর্ম্ম কোলেজদা তম্লিবী মশাগী চহী ১৯ খক্তা ঙাইরিবী স্নেহা কৌবী ত্রিপুরাদগী লৈশাবী মচা অমা নুমিৎ তরুক্নি মফম খঙদনা লৈরুরবা মতুংদা মহাক্কী হকচাং দেল্লীগী সিগ্নেচর ব্রিদজগী মখাদগী শিনা ফংলে হায়রি।



মহাক নুমিৎ তরুক্নিগী মমাঙদা কেব অমদা তোংদুনা থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকখিবনি। অদুগা দেল্লী সিটিগী সিগ্নেচর ব্রিদজ অসিদা মহাকপু ইকোন কোন্না উখিবা মফম ওইবগা লোয়ননা থোং অসি ফাওবা মহাকপু কেব দ্রাইভর অমনা পুরক্লগা কুমহৌবনি হায়রি।

থোং অসিগী মখাদা চেল্লিবা যমুনা তুরেলগী মরীল ওইরিবা ইষ্ট দেল্লীগী গিতা কোলোনি মনাক্তগী মহাক্কী হকচাং ঙসি পুলিসনা ফংবা ঙমখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক মথন্তা তুরেলদা চোংথদুনা শিজব্রা নৎত্রগা মীনা হাৎপ্রা হয়বদুদি খঙবা ঙমখিদ্রি।

## খাঙবোককী লৌকোনদা খৃৎশেমগী ঈশিং ঈচাও থোক্লে, মীৎয়েং চঙবীয়ু : য়ু এফ এ



**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চল্লিবা খরুংপাৎ অমদি ইকোপ পাৎকা তাইননা লৈরিবা রিং বন্দ অসি চহী খুদিংগী রিং বন্দ অসিগী শরুক্তা মিটর ৪০০/৫০০ রোমদগী ঈশিং পাথোরকপনা পাৎ অনীসিগা নক্লনা লৈরিবা খাঙবোক পার্ট থ্রীগী লৌফমশিংগী মনুংদা কিয়াম লৌকোল, কৈফা লৌকোল, বিহু লৌকোল, সলাম লৌকোল, সগাই মখোঙ লৌকোল, লালিখোং লৌকোল, খোংনাং মচা মখা লৌকোলনচিংবা লৌকোলশিংগী লৌবুকশিং ঈশিং থুমজিন্দুনা খৃৎশেমগী ঈচাও মায়োক্লরে হায়রি।

মরম অসিনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## পুলিসকী আর্মরিশিংদগী লুট তৌখিবা নোংমৈশিং 'স্নাইপর রাইফল' শিং ওইনা শেমদোক-শাদোক্লম্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা কাঙলূপ মশেলগী লান থোরকপদগী চহী অদুদগী হৌরদুনা পুলিসকী আর্মরিশিংদগী লুট তৌখিবা খূৎশু-খূৎলায়শিংগী মনুংদা য়াওবা নোংমৈশিং মরূ শান্না কাপ্পা অমসুং মদুনা পীবা চৈথেং হেনগৎহন্নবগীদমক স্নাইপর রাইফলশিং ওইহন্দুনা শেমদোক শাদোকপা থেংনরে হায়রি।

ৱাফমসি পাউগী এজেন্সী 'দি হিন্দু' না রিপোর্ট তৌরদুনা ওফিশলশিংগী মায়কৈদগী হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি ফোঙদোরকপনি হায়রি। রিপোর্ট অসিনা হায়, পুলিসকী আর্মরিশিংদগী লুট তৌখিবা নোংমৈ লিশীং ৬ হেনবগী মনুংদা পোইন্ট ৩০৩ রাইফল, এ কে রাইফলশিং, ইন্সাস রাইফল অমসুং কর্বাইননচিংবা য়াওই হায়রি। পোইন্ট ৩০৩ রাইফলনা মী অমগী পূন্সি মাঙহনবা ঙম্বগী রেঞ্জ অসি মিটর ৫০০ রোমনি হায়না ওফিশল অদুনা ফোঙদোকপগা লোয়ননা নোংমৈ অসিগী বদ শেমদোক্তুনা অখন্নবা টেলেস্কোপনচিংবা হাপচিন্দুনা রাইফল অসিগী মরূ হেন্না শান্না চৎহন্নবা হোৎনরম্বনি হায়রি। এ কে ৪৭কী মরূনা শোকহনবা ঙম্বনা মিটর ৩০০দগী ৪০০ রোমদনি। অদুম ওইনমক মমাঙ থাদগীনা থা অসিগী অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুং খক্তদা নোংমৈ ৫৩১ রিকোভর তৌবা ঙমখি হায়রি।

### য়ু জি ৩ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা কে সী পি (এম এফ এল) গী ৱাঙ্খে নিংথেম পৃখ্রি মপালদগী অথোকপম সুনিল এলিয়জ লানঙম্বা এলিয়জ লেনিন (৪৩) কৌবা কাদর অমা হাপ্তা কাংজৈবুংদগী ফারে হায়রি।

অদুগা ঙরাংনা পুলিসনা কে সী পি (অপূনবা) সিটি মীতৈগী কাদর সিঙ্গাম কবিকান্ত (৩৩) কৌবা থৌবাল ৱাঙ্খেম মমাঙ লৈকায়দগী কাদর অমা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দগী ফারে হায়রি। মঙোন্দগী অঙাংবা মচুগী হোন্দা এক্টিভা অমা অমসুং পোইন্ট ৩৬কী হেন্দ গ্রেনেদ অমা ফংলে হায়রি।

সিক্যুরিটি ফোর্সনসু ঙরাং পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী খুলাকপম অয়াজউদ্দিন এলিয়জ অরিফ (৪০) কৌবা বেঙ্গুন লৌকোক্তগী কাদর অমা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন মখা লৈকায়দগী মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

### রাজ্য সভাগী মেম্বর ৪ খনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউস ওইরিবা রাজ্য সভাদা মসিগী মেম্বর ওইনা নোমিনেট তৌদুনা মেম্বর ওইহল্লম্বা মীওইশিংনা রিটাইয়র্দ তৌখিবদগী হাঙদুনা লৈরকপা মেম্বরশিং মেনশিন্নবগীদমক প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা নুপী অমা য়াওনা মীওই মরিবু রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা খনখ্রে।

মসিগী মতাংদা ঙরাং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী গেজেট নোটিফিকেশন অমা থোকখ্রে। প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুদা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকেল ৮০(১)(এ) না পীবা অয়াবগী মতুংইন্না রাজ্য সভাগী অনৌবা মেম্বরশিং ওইনা খল্লবশিংদি শক্লাইরবা কাউন্সেল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## 'লৈঙাক্না য়াম্না ঙন্না ৱারোইশিন পুরকপা য়ারবসু পুরক্ত্রবনিনা রিলিফ কেম্পতা ৱানা লৈরক্লিবা ঐখোয়না মীহুৎশিংগী ৱাফম তানীংলক্ত্রে'

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**কাংপোকপী পুলিস ষ্টেশন মনাক্তগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)**

কাংপোকপী পুলিস ষ্টেশনগী মনাক্তা লৈবা য়ূমদা লৈজবা ঐখোয়বু য়ূম-কৈ মৈ থাদুনা তাল্লকপদগী অসাম রাইফলসকী কেম্পতা হান্না চেনশিল্লবা ফাওবদা মফম অদুদা কুকিশিং হুপচিল্লক্লগনি হায়বগী ৱাখলদা ঐখোয়বু লাইরৌ তান্না পুবীখিবনি। অদুগা সেকমাইদা অমুক থিনবীরকখিবা অদুসু অয়ুক নুংথিলদা ঐখোয়বু পুবদা খুদোং চারোই হায়দুনা সেকমাই য়ৌরকপদা নুমিদাংগী পুং ৯ তাখিবনি। লাঞ্জেন্নবা হৌরকপা নুমিৎতগীনা হৌজিক ফাওবদা অৱাবা কয়া থেংনরকখ্রে। হৌজিক রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়না করি তৌগদৌরিবনো খল্লুবদা শিনীংবা ফাওরক্লে হায়রকখি।

পূক্নিং-ৱাখল ৱাবা হেল্লক্লবনিনা ইশাদা চানীং-থক্লিংবা অমত্তা ফাওরক্ত্রে। ঐখোয়না হিংলিবা পূন্সি মহিং অসিবু করিনো হায়না খল্লুবদা ইশাদা ফুনগৎলক্লে। তূম্ফম-চাফম খঙদনা লৈরকপা কুইরে। মীতৈ লৈবাক্লি হায়রগা মীতৈনা মীতৈ লৈবাক্তা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা শৈদাংফম লৌদুনা শিবা ঙাইরি হায়বদু তারে হায়রকখি।

মশাগী চহী ৮৫ শুরবা ওইনাম অহনবীনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, কাংপোকপীদা লৈজরিঙৈদা ইশাগী য়ূম-ইঙ্খোল অমসুং লৌ লৈতবা নত্তে। ইশাগী য়ুম্ফম অমসুং য়ূম লৈজরবসু লান হৌরকপদা ঐখোয়না করিসু তৌবা ঙমখিদে। হৌজিক মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক চৎনহল্লে হায়রবসু মসিগী কান্নবা করিসু ফংদ্রি। রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয় পূক্নিং লৈতানা অমসুং খুয়া তুশিৎনা লৈবা ফংদ্রি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুকিশিংগী মীচং চঙদুনা লৈরব্রা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী ৱাহংনি। নোংমগী চেঙ সুপরফাইন খরা পীরগা শিদনবা চাবসিনা ইচা-ইশুশিং মতৌ করম্না শেন্থা ঙমগনি হংলকখি।

ঙারি, থুম-মোরোক লৈননবা শেল খরা পীরিবসিসু নুমিৎ খুদিংগী পীবা নত্তে। থা ১/২ নৎত্রগা অহুম পূনশিল্লগা পীবনি। পূক্নিংদি য়াম্না নুংশি অদুবু হিংদবা য়াদবনিনা অদুমক হিংলি। পি আরগী মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক অদুনসু লান অসি লোইশিল্লম্বা য়ারবা ফাওবদা লোইশিল্লমদে। হৌজিক গভর্ণরনা লুচিংবা লৈঙাক চলাইরক্লবসু মহাক্না সেন্টরগা খৃৎশম্নদুনা লোইশিনবা ঙমদে। রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়দি থম্মোয় শোক্লা লৈরকপনিনা লৈঙাক্লোইশিংনা ঙাঙবা তাবদা শাওনীংলক্লে। মখোয়না ঙাঙবা অমত্তা তানীংলক্ত্রে।

### মণিপুরদা কোভিদ-১৯ : এক্টিভ কেস ২৫ খক্তা ঙাইরে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** কোভিদ-১৯ মায়োক্লরক্লিবা মণিপুর লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী মহুৎ শিনবা ওফিশল অহুম্না ঙসি থোরকপা লায়না অসিগী ষ্টেটস অপদেটকী মতুংইন্না মমাঙ থাগী ১দগীনা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদগী জিরিবাম অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট অনীখক্তা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট ১৪দা থেংনবা কোভিদ-১৯গী অপূনবা পোজিটিভ কেসকী মশীং ৩২৩ শুরে হায়রবসু ঙসি মীওই অনী দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা পূন্না মীওই ২৯৮ দিসচার্জ তৌখিবনা ঙসি ফাওবদা লৈবা এক্টিভ কেসকী মশীং ২৫ খক্তা ঙাইরে হায়রি।

অপদেট অসিগী মতুংইন্না ঙসিগী ওইনা সেম্পল ২৪ টেষ্ট তৌখি। সেম্পলশিং অদুদি বিষ্ণুপুর-১, ইম্ফাল ইষ্ট-৬, ইম্ফাল ৱেষ্ট-১৪, ককচীং-২ অমসুং সেনাপতি-১নি। অপূনবা সেম্পল ২৪ টেষ্ট তৌখিবগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৪ অমসুং ককচীংদা সেম্পল অমা পূন্না মঙা পোজিটিভ ওইরমখি হায়রি।

অদুগা ঙসি ফাওবদা পোজিটিভ কেসশিং থেংনরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংনা বিষ্ণুপুর-২৩, চান্দেল-২, ইম্ফাল ইষ্ট-৭১, ইম্ফাল ৱেষ্ট-২১০, ককচীং-২, তেংনৌপল-২ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা ১৩নি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদা শুপ্নতগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### গাড়ী হুরানবা ১ ফারে, কার ১ ফংলে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং থোরকপা পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়বদা পুলিসনা ঙরাং গাড়ী হুরানবা থাংমৈবন্দ লৌরুং পুরেল লৈকায়দগী হৌজিক্না লম্ফেল পাৎকী কোন্থিরৈ হাউজিং কমপ্লেক্সতা লৈরবা সাপম মিক (২৭) কৌবা মীওই অমা ফারে। মঙোন্দগী হুরানখিবা হুন্দাই (আই-২০) কার অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

### চল্লান ৭৯গী লুপা ১,৪১,০০০

**ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মোটোর ভেহিক্ল এক্টকী প্রোভিজনশিংবু থৌওইদবা অমসুং ঙাক্তনা গাড়ী মচা অমদি অচৌবনচিংবা থৌবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙলকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু মোটোর ভেহিকলগী এক্টশিংগী ৱাংমদা গাড়ী থৌরম্বা মীওইশিংদা লুপা ১,৪১,০০০গী শেনফম ওইগদবা চল্লান ৭৯ ইস্যু তৌখি হায়না পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫